### অনীশুবা এম এন সী এ মেন্স অন্দর-১৯ টুর্নামেন্ট

# টি সী এম দি সী থোংজুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চথরিবা অনীরকশুবা এম এন সী এ মেন্স অন্দর-১৯ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি টি সী এম দি সী থোংজু পেচু লম্পাক অমসুং কে এ এস সী খোমিদোক্কী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টি সী এম দি সীনা ৱিকেট ৫দা কে এ এস সী মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস টি সী এম দি সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা কে এ এস সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। কে এ এস সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা মোহমদ অলি অমসুং বি এম ইরফাননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবা অলি অমসুং ইরফান রন ৫ ফানা লৌরমদনা আউট ওইখি। টিম অসিগী ওইনা কেপ্টেন এম দি অকিলনা বোল ৩৪ মায়োক য়াবদা রন ৫৯, বি এম অফসরনা বোল ৫২ মায়োক্লবদা রন ২২ অদুগা মুষ্টাকনা বোল ৩০ মায়োক্লবদা রন ১০ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩২.১দা টিম অদুগী ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১১৮ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, টি সী এম দি সীনা টার্গেট রন ১১৯ লৌবা ঙম্লবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন অয়াম্বনা চাংচৎতা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী টার্গেট রন য়ৌনবা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২৪ শুরকপদা ৱিকেট ৫ খক তুরগা টি সী এম দি সীনা টার্গেট রন ১১৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু টি সী এম দি সীনা ৱিকেট ৫দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

# সন্তোশ ট্রোফি : অসাম মায়থীবা পীরল্লগা মণিপুর সেমীফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে

**ইটানাগর, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):** অরুনাচল প্রদেশতা হৌজিক চথরিবা ৭৭লক শুবা সন্তোশ ট্রোফিগী ওইনা ঙসি মণিপুর (ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন) অমদি অসামগী মরক্তা শান্নখিবা ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা অসামবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৭-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে।

ইটানাগরদা লৈবা গোল্ডন জুবিলী ষ্টেদিয়মদা ঙসি মণিপুর অমসুং অসামগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং হেনবগা লোয়ননা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী অহানবা মিনট ২০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরনা অসামদগী পাঞ্জল ৪-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪শুবা মিনটতা কেপ্টেন ফিজম সনাথোইনা অমা, ১১ অমসুং ১৬শুবা মিনটতা ৱাংখৈময়ুম সদানন্দনা অনী অদুগা ১৯শুবা মিনটতা ঙাংবম পাচানা অমা চনখিবনি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ৪-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনা অসামনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচ অদুগী ৬৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী ফোরৱার্দ জোইদিপ গোগোইনা শাংনা কাওরকখিবা ফজরবা শোট অমদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবনি। অসামনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙম্লবগী হরাউবা ফোঙদোকপা লোইদ্রিঙৈ মেটচ অদুগী ৭০শুবা মিনটতা সদানন্দনা মহাক্কী ৩শুবা হেটট্রিক ফংবগী পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৮২ অমসুং ৮৮শুবা মিনটতা মণিপুরগী মাইবম দেনি অমসুং ঙাথেম ইমর্সননা মখা তানা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা অসামগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ৭-১দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি।

### অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# এন এ পি এস এ অমসুং শেদো মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এন এ পি এস এ খা-ইম্ফালনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অদুগা শেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই সী সী ৱাঙ্খৈ মায়থীবা পীখ্রে।

এন এ পি এস এ অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই দল্লিয়ু সীনা ঙমদুনা হান্না বোলিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা এন এ পি এস এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা এন এ পি এস এগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা বোলরশিংগী এটেক হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৩ খক্তমক তুরগা পূন্না রন ১৭৭ লৌবা ঙমখি।

ৱাই দল্লিয়ু সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্লবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন অশোককুমার, শশি, বাসু অমসুং সমানন্দ নৎতবা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৯.৩দা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৫০দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এন এ পি এস এনা রন ২৭তা মায় পাকখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এন এ পি এস এগী জোনিনা তাখি। মহাক্না ওভর ৩.৩দা ৱিকেট ৫ লৌরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অতোপ্পা মেটচ অমদা শেদোনা ৱাই সী সীবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ৱাই সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩৯ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, শেদোনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৯.৩ শুরকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৪১ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু শেদোনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা শেদোগী জয়ন্তনা তাখি। মহাক্না বোল ৪৩দা রন ৪১ অদুগা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ লৌরমখি।

# নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপকী টিম শেমখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২৮-দগী হৌরগা মথং থাগী ১ ফাওবা দেল্লীগী কর্নেল সিংহ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৬লক শুবা সিনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০২৩-২৪দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং খনখিবগা লোয়ননা ওফিসল ৪ য়াওবা মীওই ২৮না শাবা টিম অমা শেমখ্রে।

মণিপুরগী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদু থা অসিগী ৩দা খাঙবোক বাসু গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমদা খনখিবনি। নুপাগী ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংনা কে ধনঞ্জয়, এস রোকেসন, টি ঐচ প্রেমচান্দ, এস দিনেশ, এস ঐচ অরিশ, এম কিরঞ্জিৎ, এন বিকেন, এস ঐচ অমিট, এল দি খৃষ্টোফর, টি ঐচ সদানন্দ মৈতৈ, এস বিকাশ মৈতৈ অমসুং চন্দ্রথোই করামনি। অদুগা নুপীগীদা খনখ্রবশিংনা দল্লিয়ু জ্বানিতা, এন সুশিলা, ৱাই মোনিকা, টি রোসিয়া, এন রবিনা, এস অবেসনা, এন ইলি, পি ঐচ শকহেনবী, এম ত্রিবেনা, এন ইবেমমণি, এন সনানু অমসুং টি ঐচ মালেমঙানবী চনুনি।

ওফিসল ওইনা খনখ্রবশিংনা নুপাগী মেনেজর অমসুং কোচতা মথংশিংনা ঐচ প্রেমকুমার অমসুং কে ঐচ ইমোনি। অদুগা নুপীগী ওফিসলশিংনা কে ঐচ রেবিতা (মেনেজর) অমসুং কে কপিলকুমার (কোচ)নি। খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৮-গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অমসুং ট্রেজররদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিএসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

### অনীশুবা ইতোমচা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ

# ও এস এ অমসুং য়ু কে সী সী এল দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনীরকশুবা ইতোমচা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি ওইনাম স্পোর্টস এসোসিএসন (ও এস এ) অমসুং উশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরী (য়ু কে সী সী এল)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ও এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু য়ু কে সী সী এলগী দিফেন্স লিংখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাক্লখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখিবনি।

অমরোমদা, লম্লাংহুপী য়ুথ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (এল ৱাই ভি ও) অমসুং রাইজিং ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০দা দ্রো চৎখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী দ্রো চৎখিবনি।

### ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯟ ꯁꯤ ꯑꯦ ꯃꯦꯟꯁ ꯑꯟꯗꯔ-꯱꯹ ꯇꯨꯔꯅꯥꯃꯦꯟꯇ

# [illegible]

**ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯵ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ):** [illegible]

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1069

GM David Paravyan (2586) - FM Ezio Toniutti (2238)
Titled Tue 29th Nov Late chess.com INT (2), 2022.11.29

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Nc3 Nf6 4.d4 exd4 5.Nxd4 Bb4 6.Nxc6 bxc6 7.Bd3 O-O 8.O-O d5 9.exd5 Bg4 10.f3 Bh5 11.Bg5 cxd5 12.Bxf6 Qxf6 13.Nxd5 Qxb2 14.Rb1 Bc5+ 15.Kh1 Qe5 16.Re1 Qd6 17.Ne7+ Kh8 18.Qe2 Rae8 19. …

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 1068 Solution :**

**32. Re8+** Double check The white rook decoys Black's king.
Your moves:32.Rc7+
Your moves:32.Bxc6
Your moves:32.Rxf7+
**Kxe8 33. Qe7#** Damiano's bishop mate
**1-0**

JCRE Skill Solutions
empowering our youth
Duration 10 Days
ADMISSION OPEN
Limited Seats Only
Personality Booster
Smile | Learn | Enjoy
Class 1-3 & 4-7
COURSE MODULE
Social Etiquette, Dining Etiquette, Art and Craft, Handwriting, First Aid, Time Management, Public Speaking, Listening & Soft Skills, Grooming and Personal Hygiene.
FEE Rs.2499/-
FOR MORE INFORMATION
☎ 7085051125
☎ 8798307379
(10:00 am to 4:00 pm | Mon - Sat)
TRAINING CENTRE
JCRE Skill Solutions
Kwakeithel Akham Leikai,
Imphal West, Manipur-795001
HL-B/8409/6

TULASI TVS
LOAN OINA LOUBA YABAGI KHUDONGCHABA LEIJEI
DOWNPAYMENT STARTING Rs.6999/-
PLEASE CONTACT: 762-9027-882
908-9741-898
TVS SUB DEALER HANGBININGBA LEIBIRAGADI CONTACT TOUBIRAKPA YAGANI
Address: SANGAIPROU MAMANG LEIKAI ,FCS GODOWN ROAD
HL-B/8514/21-29 (alt)
*TERMS AND CONDITION APPLY*

Likla
লৌমী শিন্নী য়োকখৎসি
ইরমদমগী পোখোক শীজিন্নসি
Processed from organically grown fruits of Manipur
Thangjam Agro
HL-B/8592/3/3-30/3 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com